# স্পোর্টস সাইন্স হায়বসি হৌজিক্কী মতমদদি শান্নরোয়শিংদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরে ঃ কোংখাম রোবিন্দ্রো



কোংখাম রোবিন্দ্রো



স্পোর্টস সাইন্স ষ্টাফ, আর্মি স্পোর্টস ইনষ্টিট্যুট

(হান্নগী মখা...)

ইন্দিয়ন কেম্পতা স্পোর্টস ইন চার্জ ওইনা লৈজবা মতমদুদা ঐনা খঙজরকপসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস অসি স্পোর্টস বাইওমেকানিক্সতদি য়াম্না নৌরি হায়বসিনি। তাকপী তন্বীরল্লিবা ষ্টাইলশিং অসিসু হান্নগী ট্রেন্দুদগী কয়া কন্না হোংবা ওইরমদে। অদুবু ইন্দিয়াদা অনৌবা ওইনা লাকখিবা মেছিন অসি লৈবদগীদি খরদি শোয়দনা ইমপ্রুভ লাক্লগনি হায়বসি খনখি।

দাইভিংগী, স্বিমিংগী, শুটিংগী, জিম্নাষ্টিক্সকী, টাইক্বান্দোগী, হোকিগী, টেবল টেনিসকী প্লেয়রশিং অসি চীফ কোচশিংগা লোয়নন্না চাং নাইনা টেষ্ট মথং মথং তৌরকপদগী, প্লেয়রশিংগী অশোয়বা পুম্নমকসি ময়েক শেংনা পুথোকপা ঙম্লকখি। শান্নরোয়শিং অসিগী কদাই কদাইদা অশোনবা, অশোয়বা লৈবগে হায়বসি খঙলকপদগীদি অশোনবা মফমশিং অদুদা হোৎনবদগী খরদি ফগৎহনবসু ঙমখি। মসিগী প্রুফ হায়ববু কুমজা ২০১০ গী দেল্লি কম্মনৱেলথ গেমসতা বলেৱাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ত্রেনিং তৌখিবা প্লেয়রশিংনা ইন্দিয়াগী মেদল মশীং হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অদুগা মরুওইনা ঐহাক্না স্পোর্টস বাইওমেকানিক্সকী ওফিসর ইন চার্জ ওইনা লৈজরিবসিসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং ইন্টরনেসনল লেভেলদা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### স্পোর্টস সাইন্সতা মিৎয়েং অমা

অফবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্ন নবগীদমক্তনি।

ইন্দিয়ন কেম্প তৌদুনা লৈবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমদা ঐহাক্কী থবকসি খূৎলায় চাংয়েং তৌবা অদুখক্তা নত্তে। মফমদুদা ত্রেনিং তৌরিবা কোচ পূম্নমকসিগী অফবা রিলেসন অমা শেম্ন বসু হোৎনৈ। কোচ মশেলগীসু অফবা শান্নরোয় পুথোকপা ঙম্ননবা অমগা অমগা খন্না নৈনবা হায়বসি তৌদবা য়াদবনি। মতমগী মতুংইন্না হোংলক্লিবা ত্রেনিং খূৎতৌ ময়ামসি ঐখোয়সু হৌজিক্তি খঙননবা হোৎনদবা য়াদ্রে। কোচ মশেলসু অমগা অমগা স্যের তৌনরবদি হেন্নসু চাওখৎমীন্নগনি।

ইন্দিয়াদগী ঐহাক্না কুমজা ২০০৩ দা ইহান হানবা ওইনা এথেন্সতা স্পোর্টস সাইন্সকী লেকচররগা পীবা ঙমখিবদু অশেংবমক্তি ঐখোয়গী লৈবাক অসিসু স্পোর্টসকী মতাংসিদা খরদি ফগৎলক্লি তাকপনি।

মালেমগী ওইনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তগী কৌখৎলক্লিবসি ফিজোলোজি, বাইওমেকানিক্স, সাইকোলোজি, এনাটোমি, কিনশোলোজি ফিটনেসকী টোপিক ময়ামসিদনি।

মফমদু য়ৌবা মতমদা ঐখোয় ঐখোয়না পীগদৌরিবা মিনিটশিংদু ইশা ইশানা চপ চপ চানা ঙাওগদৌরিবনি। মদুগীসু জজেজ লৈ। হেন্না ফজনা লেকচর পীবশিং অদুগীদি এৱার্দনচিংবসু অদুম পী।


ইন্দিয়াগী ওইনা বাইওমেকানিক্সনা পীবা কান্নবসি করিনো হায়রগদি এদভান্স রিজল্টদুনি। খুদম ওইনা, ৱেথলিফটিং শান্নরোয়দা ঐখোয়না পুথোকপা য়াবসিনা ৱেথ থাংগৎপা মতমদা ফেক্সন ওফ সেকেন্দ, ফেক্সন ওফ এঙ্গলসিদনি। ইন্দিয়াগী কিলোগ্রাম ৫০ গী লিফটর অমনা থাঙ্গৎলিবসি রেকোর্দ কয়ানো হায়বদু পুথোক্লনি। অদুগা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইনা হায়রিবা ৱেথ কেটাগোরিসি থাঙ্গৎনরিবসিনা কয়ানো হায়বসি খঙলগা ঐখোয়গী প্লেয়রসিনা শোয়রিবা শোল্লিবসিনা কদাই কদাই মফমদনো হায়বসি কোচ ময়ামসু য়াওরগা হায় স্পিদ, কেমেরাসি ফিট তৌরগা ফজনা রেকোর্দ তৌরগা পুথোকপা য়াগনি।

ৱেথলিফটিং মশান্নগী ক্লিন এন্দ জর্ক, স্নেচ হায়বসিদা থাঙ্গৎলিবা মওংসি ক্লিন এন্দ জর্কতা হায়রগদি খূৎ অনীসিনা অহানবা খুউফাওবা চীংখৎলকপা অদুদগী ফৈগল য়ৌরকপা, লেংজুম তানা অমুক থাঙ্গৎলকপা, অরোইবদা মথক্তা পুরা য়ৌরকপা, মসিফাওবসিদা কয়া য়াম্না স্পিদ য়াওনা মথং মথং থাঙ্গৎলকপগে হায়বসি লোয়নমক পুথোকপা য়ারে।

প্লেয়রদুগী মখূৎ য়েৎ-ওই অনীসি করম্বনা হেন্না কনবগে হায়বসি লৌরিবা রেকোর্দশিংদুদগী খঙবা ঙমগনি। অদুনা দাইটতগী হৌরগা খোঙগী, খূৎকী, ফৈগনগী, হকচাংগী করম করম্বা মফমশিং ইমপ্রুভ তৌহনগদগে হায়বসি খঙলগদি কোচশিংনসু তাকপদা অশোন অশোনবা মফমশিংদুদনা খরা হেন্না চেকশিন্না তাকপীবা য়ারে। মসিনি স্পোর্টস বাইওমেকানিক্সকী কান্নবসি।

-মথং-মথং

# অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী ৱিন্নর চিক টিওটি মশাগী চহী ৩০ শুবদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে



লন্দন, জুন ০৬ :

আইভোরি কোষ্টকী ইন্টরনেসনল মিদ ফিল্ডর চিক টিওটি মশাগী চহী ৩০ শুরকপদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে।

মমিং লৈরবা শান্নরোয় অসিনা চাইনাগী ক্লব বৈজিং ইন্টরপ্রাইজেসতা ত্রেনিং তৌরিঙৈগী মনুংদা লৈখিদবনি হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সতা আইভোরি কোষ্টকী টিমদা শরুক য়াদুনা চহী ২৩ গী মতুংদা মরৈবাকপু চেম্পিয়ন ওইবা ঙমহনখিবা শান্নরোয় অসি শোকপদগী মতম শাংনা পোথাদুনা লৈরকখি।

ইংলেন্দগী ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদতা চহী তরেৎ শান্নরল্লবা মতুংদা মহাক হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা চাইনাদা চৎখিবদা ঙাইরিবনি।

টিওটিগী স্পোক্সমেন ইমান্যুএল পলাবিনোনা হায়খি, বৈজিং ইন্টরপ্রাইজেসকী শান্নরোয়শিং ত্রেনিং তৌরিঙৈদা ঙসি অয়ূক ইখঙ খঙহৌদনা টিওটি ৱাস্থরকপদগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনা মহাক লৈখিদবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা পামদে। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনবা খঙহল্লকখিবা মরম্না মখা তানা মহাক্কী মরমদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা পামদে।

ন্যু কাষ্টলগী মেনেজর রফেল বেনিটিএজনা লৈখিদ্রবা টিওটিগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়নননা হায়খি, পীক্লিঙৈদগী হৌনা লায়রবগী চৈথেং ফংলকখিবা টিওটিনা মশাগী চহী ১৫ শুরকপদা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা বুট জুরা অমা মশাগী ওইবা ফংজখি। ফুটবোলগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্না হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোয় অমা লৈখিদবগী পাউ তাবদা হায়ফম খঙদনা অৱাবা পোকই হায়না বেনিটেজনা ন্যু কাষ্টলগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোরকখি।

লৈখিদ্রবা টিওটিবু অশেংবা প্রোফেসনেল অমনি হায়না শিংথারদুনা বেনিটেজনা হায়খি, ফুটবোল মশান্নদা পুন্সি কৎথোক্তুনা লাক্লবা শান্নরোয় অমা লৈখিদবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি।

কুমজা ২০১০ দা টিওটিনা নেদরলেন্দসকী এফ সী ত্বেন্টিদা শান্নরম্বদগী ন্যু কাষ্টলদা চঙলকখিবনি। মহাক্না টিম অসিগী মেচ ১৬১ দা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা কুমজা ২০১১ দা অর্সনেলগা শান্নখিবা মেচ অমদা ৪-০ দা মায়থীবা য়াবগী ফীভম লৈরম্বদগী ৪-৪ দা দ্রো ওইহনখিবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি।

কুমজা ২০১০ অমদি কুমজা ২০১৪ গী ৱর্ল্ড কপ স্কাদতা য়াওখিবা টিওটিনা য়ুরোপিয়ন ক্লবতা ইহান হান্না য়াওখিবদি বেলজিয়মগী এন্দরলেকনি। অদুবু হায়রিবা ক্লব অদুদা চহী মরি লৈরিঙৈদা মহাক্না শুপ্নগী মেচ মরিখক শান্নখি।

মতম শাংনা ন্যু কাষ্টলগী মেনেজর ওইদুনা লাক্লবা অলাম পার্দিয়ুনা হায়খি, টিওটি লৈখিদবগী পাউ তাবদা ফুটবোলবু নুংশিজবা মীপুম খুদিংমক অৱাবগী ইপাক্তা ইরাক্নরে। মতম অমদা মহাক্না অর্সনেলগা ৪-৪ দা দ্রো ওইহনখিবা মেচ অদু প্রেমিয়র লীগকী পুৱারীদা মতম পূম্বগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

তুংদসু ফুটবোলগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌরক্কনি হায়না থাজনরিবা শান্নরোয় অমনা মশাগী চহী ৩০ শুরকপদা ঙাইরিঙৈদা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তাবদা হায়ফম খঙদনা অৱাবা পোকই হায়নসু পার্দিয়ুনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, আইভোরি কোষ্টনা মতম শাংনা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুংদা টিওটিগী মতেংনা কুমজা ২০১৫ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

টিওটিনা হিংলিঙৈ মতমদা শান্নমিন্নরম্বা শান্নরোয় কয়ানসু অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল পীনরকখি।

ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মতম অমদা টিওটিনা ক্লব অসিগী শান্নরোয় অমা ওইনা লৈরিঙৈগী মতমদসু ঙসি ফাওবা কাউবা লৈতে। মহাক্না মরুওইবা থৌদাং লৌরগা টুর্নামেন্ট কয়াগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ অনীরক য়াওবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় অসি লাক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ্তসু আইভোরি কোষ্টকী টিমদা মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়না থাজনরিবনি।

# সাউথ কোরিয়ানা চাইনাবু মায়থীবা পীদুনা চহী ১৪ গী মতুংদা অহানবা ওইনা বেদমিন্টনগী সুদিরমান কপ লৌবা ঙমখ্রে

গোল্ড কোষ্ট, জুন ০৬ :

সাউথ কোরিয়ানা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চাইনাবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা চহী ১৪ গী মতুংদা অহানবা ওইনা বেদমিন্টনগী সুদিরমান কপ লৌবা ঙমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা সাউথ কোরিয়ানা তরারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চাইনাবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী মিক্স দবলসকী শান্নরোয় চোই সোল গ্যু অমদি চাই য়ু জুংনা চাইনাগী হু ফাইজেং অমদি ঝাং ঙানবু ২১-১৭, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি।

শাংলবা চহী ১৪ চাইনানা সুদিরমান কপ খুদুম চন্দুনা থল্লকখ্রবা মতুংদা কোরিয়াগী মিক্স দবলস টিমনা কুমজা ২০০৩ গী মতুং তারকপদা মায় পাকপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

কুমজা ১৯৯১ অমদি কুমজা ১৯৯৩ দসু সাউথ কোরিয়ানা সুদিরমান কপ



লৌখি। অদুবু হন্দক্কী ওইনা ফাইনেল মেচতা চাইনানা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মশাগী হৈজবা পূম্নমক পুথোক্তুনা শান্নবদগী অরোইবা মিৎকুপ্তা চাইনাবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা সুদিরমান কপ লৌবা ঙমখিবনি।

মেচ পোইন্ট মায় পাক্লবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী টিমনা চোই সোল য়ু অমদি চাই য়ু জুংবু থাঙ্গৎতুনা মীয়াম মাংদা হরাউবা ফোঙদোকখি। মতাং অদুদা হরাউবনা হেনমনবদগী চাই য়ু জুংনা মীয়াম মাংদা পিরাং শিন্থরকখি।

মালেমগী ওইনা মিক্স দবলসকী রেঙ্কিংদা ১৪ শুবদা লৈরিবা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় অনীনা মালেমগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা চাইনাগী লু কাই অমদি হু ৱাং য়াক কিয়োংবু মায়থীবা পীখিবনি।

নুপাগী দবলস মেচতা রিও ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চাইনাগী ফু হাইফৈং অমদি ঝাং নাননা মিনিট ৪২ গী মনুংদা ২১-১৪, ২১-১৫ দা সাউথ কোরিয়াগী টিমবু মায়থীবা পীখি।

চাইনানা মাঙজিল থারুরবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী চাং য়ে না অমসুং লী সো হীগী জুরানা চাইনাগী চেন কিংচেন অমদি জিয়া জিফানবু মায়থীবা পীখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৯

1. মহাক টেনিস শান্নরোয়নি। মহাক্কী অচৌবা শক্তম অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সহর অমদা নূংনা শাদুনা থম্মী। মহাক হান্নগী ৱিমল্লেদন চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?
2. মহাক বোল ৩৮১ দা রন ৩০০ হেন্না লৌদুনা টেষ্ট ক্রিকেটতা ইনিংস অমদা রন ৩০০ হেন্না লৌবা ঙমখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
3. ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) তা চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্রিকেট টিমশিংদা মরিরক য়াওখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?
4. মিটর ২.৪৫ অসি করম্বা এথলেটিক্স থৌরমগী মালেমগী রেকোর্দনো?
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পিটর বোসনা এজেক্স থাদোক্তুনা বোরুসিয়া দোর্টমন্দগী মেনেজর ওইরগনি



বর্লিন, জুন ০৬ :

পিটর বোসনা বোরুসিয়া দোর্টমন্দগী অনৌবা কোচ ওইরগনি হায়না জর্মনগী মমিং লৈরবা ক্লব অসিনা ঙসি লাউথোরকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা দোর্টমন্দনা হায়খি, পিটর বোসনা বি ভি বিগী অনৌবা হেদ কোচ ওইরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা কুমজা ২০১৯ ফাওবগী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনরে।

মশাগী চহী ৫৩ শুরবা বোসনা এজেক্সকী কোচ ওইনা লৈরিঙৈদা টিম অসিনা য়ুরোপা লীগকী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অদুবু মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচতা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ এজেক্সপু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

জর্মন মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়খি মদুদি দোর্টমন্দনা বোস লৌশিন্নবগীদমক এজেক্সতা য়ুরো মিল্লিয়ন ৫ (দোল্লর মিল্লিয়ন ৫.৬) পীখি।

কোচ অমগীদমক কম্পেন্সেসনগী শেনফম খ্বাইদগী চাউনা পীবা পুৱারীদা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরে। বোরুসিয়া দোর্টমন্দগী ইন চার্জ ওইরম্বা স্বিটজরলেন্দগী লুসিন ফেবরনা অতোপ্পা ক্লব অমদা চৎনবা থৌরাং তৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দোর্টমন্দগী অনৌবা কোচ ওইনা লৌশিন্নবগী মতাংদা পিটর ষ্টোজর অমদি দেবিদ ৱেজনরগী মমিং পন্নবা লৈখ্রবনি। অদুবু ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমিং লৈরবা কোচ অনীমক নাথৈরম্লগা পিটর বোসপু চহী অনীগী ওইনা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনরে হায়না লাউথোরকখি।

মমাঙদা পিটর বোসনা ইজরেলদা মতম খরা লৈদুনা মকাবি টেল অভিভকী কোচ ওইরম্মী। মদুগী মমাঙদনা ফ্রান্স, জপান অমদি নেদরলেন্দসতা মিদ ফিল্ডর ওইনা শরুক য়াদুনা মশক নাইবা শান্নরোয় অমা ওইরম্মী।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমদা বোরুসিয়া দোর্টমন্দনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা ক্লব অসিগী অনৌবা কোচ অমা লৌনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়নননা পিটর বোসপু চহী অনীগী ওইনা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌখিবনি।

## কে কে মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন

ইম্ফাল, জুন ০৬ :

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন ককচীংনা শিন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা জুলাই ১২ দগী ১০ শুবা কে কে মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি হায়রি।

দি এস এ ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলো সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জুন ৪ দা পাঙথোকখিবা এসোসিএসনগী ইগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফমনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লবগী মতম লেপখিবনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা দি এস এ ককচীংগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরগা জুন ৩০ ফাওবগী মমাঙদা পীশিল্লক্কদবনি। এন্ট্রি ফী লুপা ১৫০০, রিন্যুএল ফী লুপা ৩০০০ অমসুং লোন ফী লুপা লিশীং অমা ওইগনি হায়রি।

জুলাই ২ দা মেনেজরশিংগী মিটিং অমা পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।



HL-B/3860/11/05-10/06

লেঙশিনবিরকউ /

হুইয়েন লানপাউগী

অনৌবা ওফিস

কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি

- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :

অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

